ইরৈবাক
ইম্ফাল, ওক্তোবর ০১, ২০২৩ ইং

# কোঙ্গেং কোকফাই তাহল্লোইসি

য়েক্লবনা লাঙ্গোই চল্লক্লবগুম্বনি। মাইকৈ অহুমগী মরু ওইরবা লম্বীশিং চনিং তানা চৎপা ফংদ্রি। চৎলিবশিং থরক হুনগৎনবা ঙাক্তনি। ইম্ফাল ডিমাপুর লম্বী, ইম্ফাল জিরি লম্বী, ইম্ফাল মোরে লম্বী মৈতৈশিংনা চৎপদা অকি-অখং য়াওদনা চৎপা ঙমদ্রি। করিগুম্বদা কুকি নত্তবা চীংমী ফুরুপ ফাওবদা তম্নলাই লমওক্লবা য়াওখ্রবনি। হৌজিকসু ইম্ফাল তম্না ডিমাপুর লম্বীদা পোৎ পুবা গাড়ীশিং অসি লৈঙাক কাঙলোনগী ৱাঙমদা অহেনবা টেক্স পীরম্লগা লাক্লিবা ঙাক্তনি হায়বসি লৈঙাক্না খংদ্র-উদ্রবসু মীয়াম অমদি গাড়ীগী মীশিংনদি খঙলবা ঙাক্তনি। মৈতৈশিংনা কুম অমগী ফৌথোক পুথোক্কদৌবা চীঙ্খোং-চীংয়াগী লৌফম কয়া অমা লৌ পানবা ঙমখিদ্রে, পালহৌবা খরসু লৌবুক কুম্লুবদা নোংমৈ কপশিল্লক্লি কুকিনা। লৌফম খরদনা নম্ফু-হাফুদা কুকিশিংনা লৌ হুনজিনখিবা ফাওবা য়াওখ্রে। লৌপু মৈতৈ চংলুবা ঙমদ্রি। অমরোমদনা হৌজিকসি পোপি লোকপা হৌরকপগী মতাংনি। ষ্টেট গভর্নমেন্টকী ৱার ওন ড্রগস-২ চখরিবনি হায়রগসু পোপি থাবা লৌফমশিংদা ৱার ওন ড্রগসকী ৱারিয়র অমত্তনা মোংলুবা ফাওবা ঙমদ্রি। মদ্বাইদা চংলুবদি থম্বু থমখিসি, কুকিশিংনা তকথোরখ্রবা মৈতৈগী খুলশিংদা হৌজিকফাওবা মৈতৈগী য়ুম্বু-খুনবু চংশিন্দুনা খুন্দা লৈতারুবা ঙমদ্রি। লৈঙাক্নসু হোৎনবগী মমি তমদ্রি। মদুগী ওন্ন-তৈনবদা টেম্পররি রিলিফ কেম্প শাগৎপরোমদা লমথারিবসিনি। মসিসু তঙাই ফদবনি হায়দবদি য়ারোই।

কুকি নার্কো টেরোরিষ্টশিংগী লান্দা অসিদা মৈতৈশিংগীদমক পাম্বোম তিংলিবসি কনানি হায়গদৌরিবগে? অহোয়নদুম লান অসি তেকচাক মৈতৈশিংগী মথক্তা নমশিন্নবা কুকিশিংগী মাইকৈদগী মালেমগী থাক ফাওবা য়ৌনা ফুম নোম্বগুম হোৎনরি। পাউ শন্দোক্লিবশিং ফাওবসি কুকিগী ফুরিৎখাওদগী শত্তোরকপা মানবা য়াওরক্লে। অশেংবা অচুম্বা পাউদম য়াওরক্তবা হেনমনবদগী শেংদোক্লবা হোৎনবদা থবক অমা ওইরক্লি। কুকিশিংগীদি পূম্নমকসি তৌগে হায়বা অমা য়াওনা হিরম কয়াদা খূৎ থাবা হন্দ্রি। সেন্টর লৈঙাকসু থমাইখিবগা পাঙ্খক ওইখ্রে। ষ্টেট লৈঙাকসু লৈরি হায়বা মঙাইরে, ষ্টেট ফোর্সশিংবু লান শিংলক্লিবশিংদা মতিঙ ফুদোক্তুনা পাউখুম পীহনবদি লায়থোকখ্রদনা মায়রোং য়াবা ফাওবদা খুরৌ থাংবীরি। ওইরক্লিবা ফিভমসিগী হায়রুরবদি মৈতৈ খুজোক অসিগীদি ইশানা ইশাগী অমদি ইপা-ইপুগী ইজ্জৎ ঙাকচবা নত্তনা উপাই উরক্ত্রবনি। হৌজিক ফাওবদা নখোয় লান্দে, নখোয়গীদমক ঐখোয় লৈরি, নখোয়গী নতু নাম্মা শোকপা য়ারোই হায়না কনানা পাম্বোম তিংলক্লিবগে, উদ্রি। ফিভম অসে পোইরৈ মৈতৈ খুদিংমক্না ৱাখল তামিন্নবা চুমগনি। চিরবা তানফম অসিদা হৌজিক ষ্টেট ফোর্স অমদি মপান্দগী লাকপা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা খূৎলাইসু পায়দবা মৈতৈ মীচম মীয়ামগা অহিং নুংথিল নাইদনা ঈমু-নাইমু তাইনরক্লি। অসুম্না তশেংনা শোক্লগদবা লাফমদুদগী থৈদোরক্তুনা ঐখোয় মশেল ইকন্থিনা ইরল ফোইদৎচবদৌনা থোক্লকপা তারগদি কনাগী মাংজবনো? মপুং ওইবা লানফমসিগীদমক তাশিন-খোমজিন্দুনা শাগৎলিবা শক্তি অরেম্বদা তাহন্দনবা পুন্না ৱাখল তামিন্নহৌসি।

## অশৈবশিংগী

### অঙকপা পঙ নত্তে

ঈরূজবা চৎখিবা নুপী অমা
ফম্মুংদা শিদুনা লৈরম্বা
অঙকপা পাউ নত্তে
মপাম চৎখিবা মৌ অমা
অতোপ্পা নুপাগী য়ূমদা শিরম্বা
ওইথোক্তবা থৌদোক নত্তে।

মাগী নুপাগা চৎমিন্নরিবা নুপী
অতোপ্পা নুপা অমগা
পুন্না চা থকমিন্নরম্বী
লৈতবা নত্তে
নুপী তৌবা ঙম্বী
উরবসু উনা হায়রকপা য়াদে
ষণনা উরোকথোং লানবা উরবসু
উদে, হায়য়ু হায়বা লৈ।

নুপীনা নুপা ফুবা
তৌহেদবা থবক নত্তে
ওইথোক্তবা থবক নত্তে
নুপানা নুপী ওৎপা
নুপীনা নুপা ওৎপা
অঙকপা থৌদোক ওইদে।

– এস কে নাওরেম

### শক্তি ফুদোকফম চারিৱা

ষণ পাবোৎ, ইরোই পাবোৎ
লৌবুক্তা ইঙ্খোলদা
নোংজু নুংশা খাইদনা
পোৎপু লেংথোংনদুনা
লাঙ্গোল য়োৎলম ফাৎলিবা
মথৌনি মখোয়গী মপোক্কী।
হোৎনবা ঙম্বমখে হোৎনৈ
পেনবীনবা মপু মাগী
মীওইবা কৌবনিনা মপুদো
পেন্দবা মতাং মরাকই
নামিবা শাজৈদুনা শান্থরকই
অয়ো হায়রোইদবা ষণদুদা
ৱাশাসু চাবা লাল্লুপসু কাবা
করিগীদি নারম্মোই
কনাদদি ৱাকৎলুনি মখোয়না
চৈনাখোল খাঙজবা নত্তনা
ষণগী নোংদম্বা নহাকসে
কনাগী মীচংদা লৈরিবা
খঙদবনা হংবনি।
খূৎলাই পায়দবা মীচমদা
অকন অরিং শিংলবশিং
মীয়ামসে ষণ ওইনা উরুরৱা
নচা ননাওশিংদবু
অদুক নকন্থি ফুদোকপদি
করি চারু থক্লুরবগে
মতাং মচম চাফাত্তেদা।

– এস কে নাওরেম

## লাইরিক্কী লৈকোন্দগী

# মৈতানকৈচংবম মৈনো খুমন গী লিখুন

লৈরাংলিবা ঃ আই এস লাইশ্রম



মমিং ঃ লিখুন
খোমজিনবা ঃ মৈতানকৈচংবম মৈনো খুমন,
অফোঙবা ঃ চোংথাম মাংলং খাবা
জেনরেল সেক্রেটরি,
হৌ খুনাই ইনাৎ থৌশিল্লুপ।
অহানবা
ফোঙবা ঃ আগষ্ট, ২০১৮
মমল ঃ লুপা ১৩৫/–
মখুম য়েকপা ঃ ৱাঙ্খেরাকপম তোম্বা মৈতৈ

ৱামাং য়ানবা ঃ

মনিপুরদা য়েলহৌঙৈদগী খুন্দা লৈতারক্লিবা য়েলহৌমী ফুরুপশিং অসিগী মমল নাইদ্রবা ৱারীগী পুক্কে লৈজে। অসিগুম্বা ৱারীশিং অসিগী মনুংদা লৈশেম-তুশেম্বা, খুনশেম-লৈশেমলোনগা মরি লৈনবা ৱারী, থোইদোক হেন্দোকপা মীওইপোক্লচিংবা অমদি থৌদোক ৱাথোক্কী থাজৱারী অমদি ফুঙ্গা ৱারী হায়রিবশিং অসিনি। অসিগুম্বা লমদম অসিদা মৈনা ৱাই, তাংনা শম খুন্দা লৈতারক্লিবা, মশাগী লোন অমদি ময়েক্লচিংবা লৈজবা পোইরৈচাশিংগীসু অসিগুম্বা থাজৱারীগী পুক্কে চোন্না লৈজে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। অসিগুম্বা ৱারী শিংবুলশিং অসিগী চীনবুংদা চীঙ্থাং লান্না অসুম লীনরকপনা মপুংনি। অদুবু ঙসিগী খুন্নাই পুন্সিরোল অসিদদি মসিগী চন্নফম হন্থরকপগুম তৌরি। মরম অসিনা পাক্তক ইতক্ননা খঙনবা হায়বদু ওইরক্তরে। অসিগুম্বা তানফম অসিদা অসিগুম্বা ৱারী খরা ঙমজবা থাক্তা খোমজিন্দুনা নমথোক্তুনা ফোঙনরকপা, মসিগী মরমদা অতম্ননা থিজিন্দুনা নৈনরকপা খরমখৈদি লৈরি। মখোয়গুম্বা মীওইশিংগী মনুংদা মৈতানকৈচংবম মৈনো খুমন অমনি হায়বা য়াই। মহাক্না মখল অসিগী ৱারী খরা খোমজিন্দুনা 'লিখুন' হায়না মিংথোন্দুনা ফোঙলক্লি। অসিগীগুম্বা খোমজিন ৱারী লাইরিক অসিগী চাওরকপা মপাও অমা পুজরক্লি।

লৈপাও চেনবা ঃ

ৱারীশিংতগী ওইনা পুন্না লমাই ১০০ (চাম্মা) পানবা লাইরিক অসিদা পুন্না ৱারী মাপল (৯) য়াওরি। মসিদা য়াওরিবা ৱারীশিংদি, ১) খুনুং লৈকোইরোল, ২) লংদাই-লুৱাই পুদাংলোইনা শঙাই ওনখিবা, ৩) লংদাই-লৈশাংখোং লাইফমলেনশিং অমদি কাংলোন পরিং, ৪) ইরেংপু লমচৎ অরিবা, ৫)পামেল শিদহীদাং য়ায়োকফা, ৬)খুমন য়েক অমসুং তেরা পাম্বী, ৭) মৈহৌরোল য়ুম্বী, ৮) লাইনিংথৌ খাগেম্বগী তেন্তকপা পূন্সি ৱারী লাইনিংথৌ খাগেম্বনা শিংগুমলমদাইদা থোকখিবা থৌদোক খরদংবু তেনতক্না হয়া লাওনা তেংথাজরক্কে অমদি ৯) শেলোই নোংমাইচীঙ কাংবা অহানবা নোংমাইচীঙ চীঙকোইরোন হায়রিবা ৱারী মাপল অসিনি।

অসিগুম্বা লাইরিক অসিবু কৎথোকচবগী ৱারোলদা খোমজিনবনা ইরিবা ৱারোল অসি ফরুপশিগী পুয়াশিংদা ইনবা মপা লাক্তুনা ইবগুম তৌই, ৱাহৈ-ৱাতাশিং খংমিন্নবা মতেক খরদং লৌখৎচরি।

*মালেম তম্পাক লৈরেন হনবী মপুনা থাবী লৈহন্নুবী হৌ লৈমা হৌ পোকপী হৌলৈপাক্না ঙানথোইরে, কুমজা কয়া মুৎলুরে ইমাগী কোলোই কাওনরুরে লৈরেন হনবী, নিংশিংনরুদ্রে ইমাবু, মালেমদা থোকপী অহানবী, এলহৌঙৈগী হৌলৈপাক ঙরাংগী মনিপুর নত্তে .... খোইয়ুম নয়াই অরাববু মতেং খরদং পাঙদ্রবা নদাইরেমনা উদবা মপা লাক্লা, খঙদবা মমি তম্না হয়া লাওনা শৈথাজবা অশোয় অঙাম, অরান অহুই পুম্নমকপু ঙাকপীয়ো। .... 'লিখুন' হায়না মিংথোনজবা লাইরিক মচা অসি খুদোন তমজরি, লৎনবা লৈতনা লৌশিনবীয়ু ইমা, ইখুৎ তরা লোন্ননা হন্না খুরুমজরি কুবীয়ো। য়েক সলাই তরেৎ পোকপী ইমা কৎচরিয়ে, কুবিয়ো হৈ হয়া।।'*

অসিগুম্বা লাইরিক অসিবু ফোঙদ্রিঙৈ পাহৌরবা মতুংদা তোঙান তোঙানবা মীওই অহুম্না মশা মশাগী ৱারোল ইরকপশি লাইরিক অসিগী অহৌবা শরুক্তা হাপ্লি। মখোয়শিং অদুদি হৌ খুনাই ইনাৎ থৌশিল্লুপ, হৌ লৈপাক (মনিপুর) গী প্রসিডেন্ট এন জি অরোন শিংরে, রিটায়র্দ জোইন্ট ডাইরেক্টর, আর্ট এন্দ কলচর, মনিপুর সাপমচা ভৈগ্য (সনাতোম্বা) অমদি হৌ খুনাই ইনাৎ থৌশিল্লুপকী জেনরেল সেক্রেটরি চোংথাম মাংলং খাবা (অফোংবগী দাইত্ব লৌরিবা) হায়রিবশিং অসিনি।

লাইরিক অসিগী মগুণ শিংথারদুনা সাপমচা ভৈগ্যনা অসুম্না ফোংদোক্লি....*লাইরিক অসি লৈবাক অসিগী নৌরিবা রিছার্চ স্কোলারশিংগী মফমদদি অদুক্কী মতিক কান্নবা কয়া য়াওবা অমদি মৈতৈ অমা ওইরবদি খঙজিনদবা য়াদবা মচাক কয়া য়াওরি। লাইরিক অসি পারবদি লৈপাক অসিগী অরিবা চৎনবী অমদি অনৌবা চৎনবী কয়াগী হৌরকফম খঙনবগী লম্বীসু পীরি। ....'*।

ৱারোই ঃ

অখং-অহৈশিংনা হায়নবা লৈ। মীওই খুন্নাই অমগী হৌরক ৱারী পুৱারী অমা শেমগৎ-শাগৎপা মতমদা তোঙান তোঙানবা মচাক কয়া অমা চংই। অদুগুম্বা মচাকশিংগী মনুংদা চীন্থাং লান্না লীনরক্লিবা থাজৱারীশিং অসিসু অমনি। লীনবুংদা লীনরকপা ৱারী শিংবুলশিং অসি মিঠ, লেজেন্দ অমদি ফোক টেল হায়না খায়দোক্লরি। পোইরৈচাশিংগী লৈরিবা ৱারীশিং অসি খোমজিন্দুনা মপুং ফাবা চিনবুং ৱারীশিংগীত ওইবা লাইরিক অমা ফোংবগী কান্নবা লৈগনি। নৎত্রগদি ৱারী খংবশিং অসিনা থুপখিবদা ৱারীশিং অসিসু লোয়নখিবা তাবনি। লম্বী অসিদা মৈনো খুমন চোংথোরকপা পূক্লিং থৌগৎনিংঙাইনি। ৱারীশিং অসি মৈতৈ ময়েক্তা ইথোক্তুনা ফোংবগী তঙাইফদবা লৈরি হায়নিংই।

লিটরেরি এড

# থোং লোন্সিনবা অমম্বা কা – ১৯

মনিপুরীদা হন্দোকপা
ডা. রাজকুমার মোবী সিংহ

'**কবিগা** লাইয়েকপগদি মী নত্তে অসিরো?' নীলিমা মখা তানা নোক্লগা হায়রকই। 'অফবা মীনা মসিগী শিনফম অসি পায়নদে অসিরো? থবক অসি ঙাউশিন্নবা মীওইশংনা তৌনৈ খল্লীরো?' খংহৌদা মহাক্লা জীৱন ভার্গৱরোমদা ওন্সিন্দুনা মহাক্কী লেংজুম পায়রগা হায়রকই, 'ভার্গৱ ঐদি নঙোন্দা হায়বা নত্তেকো। ঐদি নহাকপু য়াম্না ফবা মীনি হায়না লৌই। নহাকপু মসিগী শিনফম অসি করম্না পায়রুরিবনো? নহাক্তি অচৌবা মীল অমগী মেনেজরগা ওইরমগদবনি।' নীলিমানা শোক্লকপদা ভার্গৱ মশাদা খজিক্তং হঙ্গৈইবা অমা ফাউরম্মী। ঙাইহাক্তুদা মহাক নুপীদৌনা মমায় ঙাঙশিনলম্মী। মহাক মশাগী খূৎসাশিং অমদি মসানা শেৎলিবা সলৱারগী মতোনবু য়েংজদুনা লৈ।

'ঐদি ইশানা ইশাবু লাইয়েককপনি হায়জদেকো।' মহাক্লা ময়ামদা তপ্না হায়রকই। 'ঐদি হৌজিক মসিদা চাংয়েং তৌবা খক্তনি।' মহাক্লা মসি হায়জরক্লবা ফাউবদা মহাক্কী মমায় ঙাঙবা হল্লমদ্রি।

মহাক নোংমতা অসুক য়াম্না ৱা ঙাঙদবনি। ময়াম্না ৱারী শান্নরিঙৈ মখূৎনা মখদাং শৌরগা ফক্লাংদা য়েঙ' লৈবনি খংদে, শুক্লাবু তুমিন্না য়েঙ' লৈবনি খংদে অমদি তৌরগা লৈবনি। মরক মরক্তা মহাক্লা শুক্লাদা লোন্না চিরোল তৌবগসু য়াওই। অদুবু ময়াম মমাংদা শুক্লা খংহৌ হৌনা পাউখুম খুমদোরকই। কোফি হাউসতা শুক্লাগা জীবন ভার্গৱগা লুহোংমিন্নগদৌরে হায়না নীনফুং নীনফুং ঙাঙনবা তাই।

কোফি হাউসতা নুপী কয়া চংনদে। অদুবু লাকইবা নুপীশিং অদুগী মরক্তা শুক্লানা ইফ ফজে। ময়াম্না হরবন্স অমদি নীলিমাবু শকখং মায়খংনবা পামই। মখোয়গা খংনরবদি শুক্লা অমদি নীলিমাগসু হাই হেলো কৌনবগী তাঞ্জা ফংগনি খল্লী। হায়রিবা ৱাফম অসি শুক্লা অমদি নীলিমা মশা খংজরমগদ্রা খংজরম্লোইদ্রা হায়বদি খংদে। অদুবু ঐদি অতোপ্পা কাংবুগা মরক মরক্তা হেক হেক ফম্মীন্নবা য়াউরুবনিনা খংই। কোফি হাউসকী মীৎয়েংফম মখোয়গী ইমুংদা ওইরি। য়াম্না মরু ওইবা ইমুং অমদৌনা মখোয়' ইমুংগী করিসু লৈতবা ৱাফম অমবুসু ময়াম চংদুনা লুনা খন্নে। পূম্নমক অসি শুক্লাগী য়েংলগনি।

ঐনা তাবদা শুকলগা জীৱন ভার্গৱগা লুহোংগদৌরে হায়না তাই। নোংমা মশা চাউবা ভদ্রসেননা ঐঙোন্দা হায়রক্লম্মী। 'ঐনা খনবদা জীৱন ভার্গৱদি লুহোংবা য়াবা মীদা নত্তে।'

'করিগী?' ঐনা মঙোন্দা হংলম্মী।

'মহাক্কী মওংদু নখোয় খংদ্রা?'

'মহাকপু কৈদৌরগে? মহাক ফুরিৎ খোঙগ্রাউগী মহুত্তা সলৱার কুর্তা শেৎলী হায়বগীরা?'

'মদুবুনি মহাক্কী ৱাখল ময়ামদগী তোঙাল্লী হায়রিবদু। মহাক য়াম্না হৈশিংবা মীনি।'

'অমুক্না হেক হৈ-শিংই হায়, অমুক্না হেক মী নত্তেসু হায়।'

২

ঙসি চহী মাপলগী মতুংদা ঐগা হরবন্সকা অমুক মায়-মায় ওন্সিন্নদুনা ফম্মিন্নরি। ঐখোয়গী মাঙদা লৈরিবা কোফি অশাবগী ফোঙ-ফোঙ শারবা মনিলনা ঐখোয়নিগী মরক্তা অপাবা মায়খন অমা খনবগুম্না খল্লি।

ঙসিদি ঐহাক চহী মাপল অসিদা অহোঙবা কয়া অমা উরে।ঐহাক ইশাগী ওইনসু, অতোপ্পগী ওইনসু। ঐহাক দিল্লিদগী হনখ্রগা থা তরুক ইশাগী খুঙ্গংদা লৈরুরে। মদুগী মতুং ঐহাক লক্ষনৌগী পল্লিসর অমগী মখাদা প্রেস শেন্নবগী থবক অমা ফংলম্মী। লক্ষনৌদা লাকপদা ইশাদা ৱাখল অমা ফাউরকখি। মোরিস কলেজ লক্ষনৌদা লৈ। মফম অদুনা মহাক শোয়দনা ....। চহী মরি পল্লিসর অমগী মখাদা থবক তৌরুরবা মতুংদা মফম অদুগী নুংতিগী ফোঙবা ইংলিসকী পাউচে অমদাঐহাক এসিষ্টেন্ট ইডিটর ওইনা থবক তৌরম্লবা মতুংদা অমুক্তংদা তলব লুপা চনী হেনগৎপা থবক অমগী ঐহাক দিল্লিদা অমুক লাকখিবনি।

মীওই অমনা নুংতিগী ফোঙবা পাউ-চে অমদা থবক তৌরুবদগী তম্লকইবা ময়াম অসিগুম্না অতোপ্পা থবক অমদগী তম্লকপা ওইথোক্তে। মঙোন্দা পূন্সিগী অওনবা অসি উদবা য়াদে। মহাক ইহুল খুদিংমক নৈনবা তঙাইফদে, লোয়ন লোয়ননা হুল্লিবা ইহুলগী ৱাহন্থোকসু মহাক খংদবা য়াদে। মরম অদুনা মঙোন্দা ৱাখলনা শাগৎপা পোৎ অমদি য়াউদ্রে। মহাক্লা পূন্সিবু তশেংনা য়েঙবা অমা চংই। মঙোন্দা য়াম্বা-য়ামদবগী চাংগা মরি অমত্তা লৈনদে। নুংতিগী ফোঙবা পাউ চেগী ওফিসতা চহী মরি লৈরক্লবা অসিদা ঐহাক্কী শৈরেং ইনিংবগী ৱাখললোনকা লোইনা মাঙখ্রে। হেজিক্তি ঐহাক ষ্টোরিরোমদা ওইনা ওন্সিনলক্লে। ঐখোয়গী লোন্দা ষ্টোরিগী তোঙানবা ৱাহন্থোক অমা লৈ। অদুবু ঐঙোন্দদি মসিগী ৱাহন্থোক অসি য়াম্না চান্নবা অমা ওইনা থোক্লে। ষ্টোরি হায়বসি পূন্সিগী অকক্লবা খোঙচৎ অমা। করম্বা পূন্সিগী খোঙচৎ? অচুম অচুম্বদা য়ূম্ফম ওইবা। মঙোন্দা তৌশিন্নবা শাশিন্নবা মচেৎ অমত্তা য়াউদবা।

মতম অমদা ঐঙোন্দা কুপশিল্লগা লৈরম্বা অকিবা মমি অমদগী ঐগী ৱাখল খরমখৈদি নান্থোকপা ঙল্লমাল্লে খল্লে। হৌজিক্তি ইশাদা থোং নৌবগী ৱাফম পল্লকপদা শাওনিংবা ফাওরে হায়বসি পূক্লিংগী অশোনবা অমনি। মসিনা মরম ওইরগা মতম অমদা দিল্লী থাদোকখিবনি। হৌজিক্তি কনাগুম্বা অমদা মসিগী হেঞ্জিনবা থোং নৌবা অসি উবদা ঐহাক ইশাদা নোক্লিংবা ফাউরক্লে। ঐনা মহাক্কীদমক্তা এডোলেসেন্ট হায়বা ৱাহৈ অসি শিজিন্নগনি। ঐনা খনবদা নুপা-নুপী অনীগী এট্রেক্সন অসি শুপ্নতগী থৌদোক অমনি। হৌজিক্তি মদুগুম্বা থৌদোক অদু ঐঙোন্দা ৱাহন্থোক লৈত্রে হায়না লৌই। মরমদি থৌদোক্তো নুংতিগী থোক্তুনদা লৈরবা ইচম চম্বা থৌদোক অমনি। থৌদোক অদু ময়ামদগী তোঙানবা অমা ওইদ্রবদি মদুবু চন্নফম লৈরিব্রনে? থৌদোক অদুনা ময়ামদগী তোঙাল্লবা কান্দদা ষ্টোরি অমা ওইগদৌরিবনি। ইচম চম্বা নুপা-নুপী অনীগী নুংশিনবগী থৌদোক্তি ৱাহন্থোক য়াউদে। মদুদি মীওই অমা ওইনা পোক্লুবগী তৌফম থোকপনি। মদুনা শুপ্নতগী মীওই অমগী অপাম্বা অনীংবা পেলহনবা খক্তমক ওইগনি। মদুনা ময়ামদগী পুমতোপ তোপ্পা করম্বা কান্দা ওইরক্কনি খংৱা? মদুনা জাটি অমদি মালেমগী থাক্তা করিগুম্বা থৌদোক কয়াগী হৌরকফম ওইরবা, খুদম ওইনা প্রিন্সেস মারগরেট নৎত্রগা জপানগী প্রিন্সকী মপুন্সিগুম্না। মতম অদুদা মদুবু অশেংবা ষ্টোরি হায়না কৌনগদৌরিবনি। নৎত্রগদি ৱাহন্থোক য়াউদবা শুপ্নতগী হঞ্জিল্লকপা থৌদোক অমনি হায়গনি। হঞ্জিল্লক্লিবা অদুদা স্কান্দল ভেল্যু অমা য়াউরবা ফাউবা ফৈ। করিগুম্বা য়াউদ্রবদি মদুগী ৱাহন্থোক লৈতে।

ৱাফম অসিবু খংননবা হোৎনরকপদা ঐগী নারুম ময়াদা পোক হৌরে। আনোককী নম্বর হেনগৎলক্লে। লোয়ন লোয়ননা ঐগী খূৎশাশিং চারমিনার থকপদদা ককই থাংলে। লক্ষনৌদা ঐহাকসি সেনিয়ার পাউমী অমা ওইনা খংনৈ।

'কৈদৌনি?' ঐনা হায়রম্মী।

'নহাক্না উন্নসি হায়রিবা মীওই অদুদি হৌজিক ফাউবা লাক্ত্রে।'

'হোয়, মহাক হৌজিক ফাউবা লাক্ত্রি।'

'অদুদি চৎসিদনা।'

'ঙাইখো, ঙাইহাক্তং ঙাইখিসি।'

অঙাংশিংগী খূৎয়েক





Sunflower
Yaisana Ksh.





Our Flag
Lamjinghenbi Heisnam
Class - II
K.V. 2
Langjing





Boys Bike
Yohenba Ksh.
P.R English
School,
Class - V